# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রিমসকী দাইরেক্তরনা হায়রি- অৰাং নোংপোক লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ফমুং ১৫০ লৈবা কেন্সর হোস্পিতাল অমা শেমগৎনবা কেন্দ্র সরকারনা অয়াবা পীরক্লে।

২) সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভাগী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অযুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌখ্রে। ভোৎ নুংমিদাংৰাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি।

অমসুং

৩) ৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেল গেমসকী নুপীগী রোয়িংগী দবল স্কলদা মণিপুর ঙসি ফাইনেল শান্নগনি। মেদল টেল্লিদা মঙাসুবদা লৈরি।

**------**

কেন্সর (এল)ঃ ৱার্ল্ড কেন্সর ডেগী থৌরম ঙরাং রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিয়েসন ওনকোলোজিনা শিন্দুনা জেনরেল ও.পি.দি. ব্লোক রিমসতা পাঙথোকখ্রে। য়ুনাইতেদ বাই য়ুনিক হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মা, রিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার এন. শঞ্জিব সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রিমসকী দাইরেক্তরনা হায়- মীয়ামা কেন্সরনা নারবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- ঙন্না দাইগোসিস তৌথোক্তুনা কেন্সর লৈব্রা লৈতব্রা

হায়বদু খঙদোকবা হোৎনগদবনি। প্রোফেসার শুনিলকুমারনা হায়- রাজ্য অসিগী ওইবা ফমুং ১৫০ লৈবা কেন্সর হোস্পিতাল অমা শেমগৎনবা কেন্দ্র সরকারদগী অয়াবা ফংলে। প্রোজেক্ট অসি লোইশিন্নবা হোনিবদা চহি মরি মঙা চংলবা য়াই। অদুবু মসি থবক হেক হৌবগা অৱাং নোংপোক লমদমদা খ্বাইদগী চাউবা কেন্সর হোস্পিতাল ওইগদৌরিবনি।

ৱার্ল্ড কেন্সর ডেগা মরী লৈননা ষ্টেট নোদেল ওফিসার নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর নোন-কম্যুনিকেবল দিজিজ ডাঃ ৱাই. প্রেমচন্দ্র সিংহনা হায়- ইং ২০১৮ দগী মণিপুরগী ওইনা মীকোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা কেন্সর স্ক্রিনিং তৌবগী থবক চশ্খদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা হৌজিক ডে কেয়ার কেমো থেরাপি, লেমা হিদাক ফংহনবগী খুদোংচাবশিং পীরি। ডাঃ প্রেমচন্দ্রনা হায়- মীয়ামা চহি অমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু ব্রেষ্ট কেন্সর লৈব্রা হায়বদু য়েংথোকপা, চহি ৩০ দগী ৬৫ গী মনুংদা লৈবশিংনা চহি অহুমগী মনুংদা নোংমতং ওইরবসু অঙাং খাউ মচিন নাব্রা হায়বদু য়েংগদবনি।

লাইভ সেভরস (এল)ঃ ৱার্ল্ড কেন্সর ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা লাইভ সেভরস মণিপুর অমসুং মেনকাইন্দ ফার্ষ্ট চেরিতেবল ট্রষ্টনা শিন্দুনা কেন্সরনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা চান-থকবা খুৎশিন্নবা অমসুং ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা রিমস ব্লড বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

ভেটেরিনারি (এল)ঃ ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা বাইও মেদিকেল ৱেষ্টশিং খন্দোকপা, মেনেজমেন্ট অমসুং মসিবু করমা হুন্দোক্কদগে হায়বগী মতাংগী নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং শঞ্জেন্থোংদা লৈবা ভেটেরিনারি কমপ্লেক্সকী ফারমর্স ত্রেনিং কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ভেটেরিনারি দাইরেক্তর ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎ অমসুং জেনিমসকী টেকিকেল সুপরভাইজর আরজ্ ওইনামনা বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

নোনে (এল)ঃ ইনপুই নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা অহানবা তকান কদাই কদোই, নোনে জিলাগী হাওচোং সবদিভিজনদা লৈবা সালুকোন গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। ইম্পৰারিং দ্রিমস হায়বসিদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি।

ফিলম (এল)ঃ ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলগী অনিসুবা ইদিসন হয়েংদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিলভপমেন্ট সোসাইতিদা হৌরগনি। থা অসিগী ৯ ফাওবদা চত্থগদবা ফেষ্টিভেল অসিদা মপান লৈবাকশিংগী ফিলম য়াওনা পুন্না ফিলম ৫৪ উৎকনি হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিলভপমেন্ট সোসাইতি অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিলম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিগী মতাংদা ফিলম ফেষ্টিভেল অসিগী সেক্রেতরিনা হায়- লমদম অসিগী ফিলমশিং মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা খঙহন্নবা অমদি অনৌবা ফিলম মেক্করশিংগী ইনোৎ পীবা ঙমবা পান্দমদা ফেষ্টভেল অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- ফেষ্টিভেল অসিদা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ফিলম সার্তিফিকেসন্না সেন্সর তৌবা ফিলম ৩৮ য়াওরি।

দেল্লিঃ সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভাগী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌখ্রে। ভোৎ নুংমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি। ভোৎ মশিং লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা থীগনি।

মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা থাদনবা য়ানবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না চেকশিন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলে। মীখল অসিগীদমক ভোতর কোতি অমা লাখ ৫৬ লোমনা মীরেপ ৬৯৯ গী মরাইবক লেপকনি। পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১৩ রোম হাংদোক্লি। মীখল অসিদা মরুওইবা লম্বা ওইরিবা আর্ম আদমি পার্তি অমসুং কংগ্রেসনা সিট ৭০ মক্তা মীরেপ থাদোক্লি। এন.দি.এগী মপাং দল ওইরিবা বি.জে.পিনা সিট ৬৮ দা, জে.দি.য়ু অমসুং এল.জে.পিনা সিট অমমমদা মীরেপ থাদোক্লি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি প্রয়াগরাজদা চত্তুনা মহা কুম্ভ মেলাদা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা সঙ্গমদা ইরুপ্তুনা লাই খুরুমগনি। চহি অসিগী জনুৱারি ১৩ পৌসা পুর্নিমা নুমিৎতগী মহা কুম্ভ হৌখিবনি অমদি থা অসিগী ২৬ মহা শিবরাত্রি নুমিৎ ফাওবা চত্থগনি।

সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী লাইনিং লাইশোল অমদি কলচরেল হেরিতেজ য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাই খুরুম্ফম মফমশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎলি। মমাং চহিগী দিসেম্বর ১৩ দা প্রয়াগরাজদা চৎপদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৫,৫০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১৬৭ শঙ্গাখিবনি।

গেমস ঃ ৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেল গেমসকী ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী বোক্সিংগী ফ্লাই ৱেথ কেটগোরিদা মণিপুরনা জম্মু কাশ্মীরবু থোইখি। শ্রী হরি সিংহ থপ্পা স্পোর্টস কলেজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা চিংলেম্বা সিংহনা মোহম্মদ অরিফপু পোইন্ট ৫-২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপ্তা শগোলশেম বিজেতা চনু অমসুং কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা থোঙাম কুঞ্জরানি দেবী ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

সাইক্লিংদা নুপাগী টিম স্প্রিন্টতা মণিপুর ফাইনেল রাউন্দ চংখ্রে।

রোয়িংগী মিতর লিশিং ২ গী স্কল ইভেন্টকী ফাইনেলদা মণিপুরগী থাংজম প্রিয়া দেবী অমসুং হাওবিজম তেন্দেনথোই দেবীগী জ্ৰা ঙসি শান্নগনি।

গেমস অসিদা মণিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা ৫ শুবা মফমদা লৈরি।

করনাতকা সনাগী ২৮, লুপাগী ১২, শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৫৩ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি। সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দনা সনাগী ২১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৪০ ফংদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পিদা চংখিবা জে.দি.য়ুগী এম.এল.এ মঙাগী কেস হিয়ারিং চথখ্রে, মখা তানা ফেব্রুৱারি ৮ দা চথগনি হায়বা পাউ, বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা উন্নখ্রে অমসুং লো এন্দ ওর্দর সেন্তরগী মখুৎতা লৈবা হায়বা বি.জে.পিগী ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবাা পাউ ওইনা ফোংনরি।

এম.এল.এ ৯ গী লাইবক স্পিকরনা লুচিংবা ত্রাইবুনেলদা লৈরে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর অমসুং ইংলিসতা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর লৈঙাক লেংদনা লৈখিগদ্রা নত্রগা অহোংবা লাক্লগদ্রা, খেমচান্দ কৌখ্রবা মতুংদা গভর্নরসু দিল্লিদা পাইশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং কলচরনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা ইং তপ্পা পুরকবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়বা ডাঃ নরাগী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

স্পিকরগী ত্রাইবুনেলনা জে.দি.য়ুগী এম.এল.এ মঙাগী এন্তি দিফেক্সন কেসকী হিয়ারিং ফেব্রুৱারি ৮ দা মতম লেপখ্রে অমসুং এম.পি. বিমোলনা ভেল্লিদা লালহৌবশিং য়োকখৎতুনা থমলে হায়না পার্লিয়ামেন্টতা ফোংদোকখিবদু করম করম্বা লালহৌলুপশিংনো হায়না বি.জে.পিনা হংলি হায়বা পাউনা মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হোম মিনিষ্টরনা কৌরকপদগা চৎখিবা মিনিষ্টর খেমচান্দ অমিত সাহগা উন্নবা ফংদ্রি হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং অমিত সাহনা অমমমতা ওইনা উন্নদুনা থেল্লি, মিনিষ্টর য়ুমাম খেমাচন্দসু দিল্লিদা সম্বিৎ পত্র উন্নদুনা ৱারী শান্নখে অমসুং চেক্কোনশিং পাইপ নেচরেল গ্যাই শিজিন্ননবা বোর্দনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী সেন্ত্রেল টিম মণিপুরদা থুনা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ভারতিয়া জনতা পার্তি মণিপুর প্রদেশকী পাউগী মীফম অমদা লো এন্দ ওর্দর সেন্তরগী মখুৎতা লৈবা হায়বা পাউ অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অসাম রাইফলসনা লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবার্ট টি.এ. মেমোরিয়েল ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমদা ২০১৭ তগী পুন্না চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলক্লি হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- পার্লিয়ামেন্টতা রাষ্ট্রপতিগী ভাষনদা মণিপুরগী হস্রু পুখৎলক্তে হায়বগী এম.পি. ডাঃ বিমোল অকোইজমনা পেন্দবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------